# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নবার্দ মণিপুর রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা ঙসি ষ্টেট ক্রেদিৎ সেমিনার ২০২৬ পাঙথোক্তুনা ষ্টেট ফোকস পেপর ২০২৬-২৭ পুথোক্লগনি।

২) সাহিত্য একাদমি এৱার্দ ২০২৫ গী মনা লাউথোরকপদা মণিপুরগী আইবী শ্রীমতি হাওবম নলিনি দেবী য়াওরকপদা মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দ সিংহনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

অমসুং

৩) অসাম, কেরলা, পুদুচেরি, তামিলনাদু, নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখল অমসুং রাজ্য ৬ কী মরক্কী মীখলগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না সেন্ত্রেল ওবজার্ভর লিশিং ১,১১১ শিজিন্নগনি।

**------**

নবার্দ (এল)ঃ নেসনেল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট (নবার্দ) মণিপুর রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি হোতেল ইম্ফালদা ষ্টেট ক্রেদিৎ সেমিনার ২০২৬ পাঙথোক্লগনি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দ সিংহ অমসুং চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়ারবা য়াই। থৌরম অদুদা ষ্টেট ফোকস পেপর ২০২৬-২৭ সু পুথোক্কনি। মসিনা শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী ওইনা এন্যুএল ক্রেদিৎ প্লান ওইনা ওন্থোক্তুনা রাজ্য অসিগী ওইরিবা ক্রেদিৎ সিনারিও অদু খঙবা ঙমগনি হায়রি।

এৱার্দ (এল)ঃ সাহিত্য একাদমি এৱার্দ ২০২৫ গী মনা লাউথোরকপদা মণিপুরগী আইবী শ্রীমতি হাওবম নলিনি দেবী য়াওরকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- শ্রীমতি নলিনিগী কংলমদ্রিবা ইফুৎ হায়বা লাইরিক্তা সাহিত্য একাদমি মনা পীরকপা অসিনা মণিপুরগী ওইনা চাউথোকচবা পোকহনবতা নত্তনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা নুপী অইবীশিংদা চাউনা পুকিং থৌগৎলগনি। মহাক্কী থবকা মণিপুরী লিটরেচরগী ইনাক খুল্লবা শক্তম অদু উৎথোক্লি। লিটরেরিগী লমদা মখা তানা মায় পাকপা ওইরসনু হায়রদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী খুৎইনা লৌশিং গ্যান পীনদুনা সংস্কৃতিগী চৎনা কাংলোনশিং য়োকখৎতুনা হৌগৎলক্লিবা মীওইশিংদা পুকিং থৌগৎপা ওইরসনু।

ৱারোল অমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- হাওবম নলিনিনা ৱারী মচা লাইরিক- কংলমদ্রিবা ইফুৎতা সাহিত্য একাদমি এৱার্দ ফংলকপা অসিনা মণিপুরী লিটরেচরগী লমদা রাজ্য অসিগী মীংচৎ পুরকপদা নত্তনা লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা লিটরেরি হেরিতেজ অসিনা হৌগৎলক্লিবা নহা ওইরিবা অইবা কয়ামরুমদা পুকিং থৌগৎলগনি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি। চিংনবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চখবদা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল লমজাউ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইথিং মমাং গ্রাউন্দদগী মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, লোকেল বোম অমা তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১২, তোকিং অমসুং বুল্লেটপ্রুফ প্লেট অমা ফংলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- অককবা পাউগী মতুংইন্না থি হুম্বগী থবক চখবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বামোনকম্পুদা লৈবা ইরিলবুং হাইস্কুল ময়াদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী

হকচিনবা মীওই অমা ফারে। নুমিৎ অসিমক্তদা সেকুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাগী শুগনু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সিংতোমদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী হকচিনবা মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কাঞ্চিপুরদগীনা নুমিৎ অসিমক্তা প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা ফাখি।

একাদমি (এল)ঃ নুমিৎ হুমি চখগদবা ফোল্ক অমসুং ক্রিয়েতিভ ম্যুজিক ফেষ্টিভেল ঙসিদগী উখ্রুল জিলাগী নিউ কানন ভিলেজদা হৌরগনি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি ইম্ফালনা শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফোল্ক ম্যুজিক অমসুং ক্রিয়েতিভ ম্যুজিক্কী খঙলবা মীওই কয়া শরুক য়াগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা পদ্মাশ্রী গুরু রুবেন মংসাবা, নিউ কানন ভিলেজগী হেদমেন রাম মসাও মুহভা অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দি লৌরেম্বম বেদবতি শরুক য়াগনি।

য়োংচাক (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চখরকপা য়োংচাক ফেষ্টিভেল কম ব্রেন ষ্ট্রোমিং ঙসি লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা সি.এস.আই.আর- এন.ই.আই.এস.টিদা লোইশিল্লগনি। রাজ্যগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন, মিসন ফোর ইন্তিগ্রেতেদ দিভলপমেন্ট ওফ হোর্তিকলচর, মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সি, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগ, ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি, সি.এস.আই.আর-এন.ই.আই.এস.টি অমসুং অপুনবা ইমাগী মচাশিংনা পুন্না শিনবা থৌরম অদু ঙরাং হৌদোকখিবনি।

ঈশিং (এল)ঃ ইম্ফালগী মহাবলিদা লৈরিবা ত্রান্সফোরম শেমজিনবনা মরম ওইদুনা নিংথেম পুখ্রি ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টতগী ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি। পি.ঐচ.ই.দি মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অসিনা কোনবা মফমশিং নিংথেম পুখ্রি মখা লৈরক, শাবী লৈরক, ৱাংখৈ অন্দ্রো পার্কিং, নোংমৈবুং চকপ্রম লৈরক, ৱাংখৈ সেন্ট জোর্জ লৈরক, গুরু অরিবম লৈরক

অমসুং অরিবম লৈকাই জোনেল রিজাভরনা কোনবা মফমশিং ট্রান্সফোরম শেমজিনবা লোইদ্রিবা ফাওবা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই।

ইসি ঃঅসাম, কেরলা, পুদুচেরি, তামিলনাদু, নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখল অমসুং রাজ্য ৬ কী মরক্কী মীখলগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না সেন্ত্রেল ওবজার্ভর লিশিং ১,১১১ শিজিন্নগনি।

কম্মিসন্না হায়- মসিগী মনুংদা মীওই ৫৫৭ না জেনেরেল ওবজার্ভরনি, ১৮৮ না পুলিস ওবজার্ভর অমসুং ৩৬৬ না এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভরনি। সধারন মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা চীফ ইলেক্সন কম্মিসনা গ্যানেশ কুমারনা হায়- মীখল অসি হিংশা য়াওদবা, নিতি নিয়ম চুমা পাঙথোক্তুনা ভোতরশিংনা অকিবা লৈতনা ভোৎ থাদবা য়ানবা থবক পায়খৎলে।

মরক অসিদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসনা নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগীদমক বিধান সভা কেন্দ্র ২৯৪ গীদমক মীরেপ ২৯১ গী মীং লাউথোকখ্রে। দার্জিলিংগী সিট ৩ দি দল অসিগী মপাং ওইরিবা ভারতিয়া গোর্খা প্রজা তন্ত্রিক মোর্চাগীদমক খাক্তুনা থমখ্রে। দলগী মকোক অমসুং মুখ্য মন্ত্রি মমাতা বেনর্জিনা ভবানিপুরদগী মীরেপ ওইরগনি। মহাকা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং বিরোধি লুচিংবা সুভেন্দু আধিকারিগা লন্বা তৌনগনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা হৌজিক হৌজিক এম.এল.এ ওইরিবা মীওই ৭৪ মীং য়াওদ্রে। দল অসিগী অপুনবা মীরেপ ২৯১ গী মনুংদা নুপী মীরেপ ৫২, সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবকী মীরেপ ৯৫ অমসুং মাইনোরিতিগী মীরেপ ৪৭ য়াওরি।

কংগ্রেসকী ওইনা হৌজিক ফাওবা মীরেপশিং লাউথোক্ত্রি।

সংসদ ঃ সংসদনা এপ্রোপ্রিয়েসন বিল ২০২৬ ঙরাং পাস তৌখ্রে। বিল অসি রাজ্য সভানা খন্নরবা মতুং লোক সভাদা থাদখি। এপ্রোপ্রিয়েসন বিল অসি লোক সভানা হান্ননা অয়াবা পীখ্রবনি।

বিল অসিনা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী ওইনা কন্সোলিদেতেদ ফন্দদগী শেল পিথোক পিশিন তৌবগী খুদোংচাবা অদু য়াহন্নবগীদমক্তনি। রাজ্য সভাদা খন্নবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারমন্না হায়- সরকারগী বজেৎ অসি মনুং মপান ফাওনা উহনবতা নত্তনা অচুম্বা অশেংবা অমনি। মহাকা হায়- ইকোনোমিক ষ্টেবিলাইজেসন ফন্দগীদমক কেন্দ্রনা লুপা কোতি লিশিং ৫৭,৩৮১ পীরি। মহাকা হায়- ভারতকী শেল থুমগী ফিভম হৌজিক মপাঙ্গল কন্না লৈরি। মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্র সরকারগী কেপিটেল আউটলে অসি শরুক মরিগী মথক্তা হেনগৎলে। মহাকা হায়- ইং ২০১৭-১৮ দা লুপা কোতি লাখ ২ লিশিং ৬৩ ওইরম্বা অদু ইং ২০২৬-২৭ তা কোতি লাখ ১২ লিশিং ২০ য়ৌবা ঙমলে।

অথৱালে ঃ  কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি রামদাস অথৱালেনা হায়রি- ইং ২০২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীকোক থীবগী থবক অসিনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ ২১ শকখঙবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

সংসদ সদস্যশিংগী ওইনা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা মীগা মীমান্নদ্রবশিংগী মতাংদা পুথোকপা বিয়োন্দ দ ভিজিবল হায়না মীংথোনবা হেন্দবুক অমা ফোংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- অচুম্বা দেটা পুথোকপনা সরকারনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীগা মীমান্নদ্রবশিংগীদমক করি থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু লেপথোকপা ঙমগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুর বিধান সভা মীফম লোইশিনখিবা, অরবান লোকেল বোদিশিংগী মীখল অথুবদা পাঙথোকবা হোৎনরগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম, মীকোক থীবগী মতম য়ৈথোকবা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম লোইশিনখিবগী পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তা মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন নম্বর টু বিল ২০২৬ পাস তৌদুনা বজেৎ সেসন লোইশিনখ্রে, গ্রাসরুট লেবেলগী ইলেক্সন অথুবদা পাঙথোকবা হোৎনরগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ৭ কী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ১,২৫৮ লাখ ৮৬ লিশিং ৯৪ য়েৎনবা লৈতনা হাউসনা পাস তৌখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- গভর্নমেন্টনা হাউসিং ফোর ওল স্কিম ফজনা পায়খৎত্রে, লোকেল বোদি মীখল তৌবা ঙমদ্রে হায়না ওপোজিসন্না তকখৎখ্রে। লোকেল বোদি ইলেক্সন থুনা তৌনবা হোৎনগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল, দ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, দ গানফিউ মেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং দ তমেংলোং টাইমতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

সি.এ.ঐচ.টি অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাইকী মরুমদা অরানবা তৌবশিং চৈরাক ফংহনগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম দ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। সেন্সস য়ৈথোকবা দিমান্দদা নাগাসু য়াওশিল্লক্লে, লৈঙাকদি থৌশাদ্রি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্সস ওফিস তমা থোমজিল্লকখ্রে, পুলিসনা থৎখ্রে, নমফুদা সেন্সস তৌরক্লবদি ইহৌগী তেকচাক পুন্স্বা লৈঙাকা পুগদবনি হায়বা কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়ার দিলিমিতেসনগী ৱাফম সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। খোঙজং চংশিনখিবা পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

দ পিপলস ক্রোনিকল, দ গানফিউ মেল, দ তমেংলোং টাইম অমদি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস য়াওনা অতে পাউচেশিংদসু সরকারনা মীকোক থীবগী

থৌরাং তৌরিবা অসিগী মতম য়ৈথোকবা য়ু.এন.সিনা চীফ মিনিষ্টরদা অহ্বা চেরোল পীশিনখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা চীংদা পোপ্পি থাবগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ১০ গী ভিলেজ চীফ ১৬ য়াওনা মীওই ৮১ ফাগৎখ্রে হায়বা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোগী ব্রাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পাউচে খরদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------